# ষ্টেট এক্কাটিক চেম্পিয়নশিপ : সব-জুনিয়র গর্লসকীদা লুচিংবী অদুগা বোইজগীদা অথোইবনা ৱিন্নর ওইরে



**ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিএশন (এম এস এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা ৩৮লক শুবা ষ্টেট এক্কাটিক চেম্পিয়নশিপ ২০২৫ খুমন লম্পাক এক্কাটিক কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট টি থৌবা, সেক্রেটরি মাইবম লোকেশ্বর, ট্রেজরর লেনিন হিরোমনা মরুওইবা মীওইশিং ওইদুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা পূন্না স্বিম্মর ৭০না শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন চাংদম্নখি অমদি মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিএশনগী টেক্নিকেল ওফিসলশিংনা চেম্পিয়নশিপ অদু কন্দক্ত তৌখি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী সব-জুনিয়র গর্লসকী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোকতা লুচিংবী সোরামনা ১:৩৪.০১দা পন্থুংফম য়ৌদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। কটাগোরি অসিগী ওইনা খৃষ্টিনা মঙাংনা ১:৪২.৪৮ অদুগা অকোইজম লাংলেননা ১:৪৬.২৯২দা পন্থুংফম য়ৌদুনা মথংশিংনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি। হায়রিবা কটাগোরি অসিগী নুপামচাগীদনা কোইজম অথোইবনা ১:০৬.৭৬১, লাইতোঞ্জম পুংহেননা ১:০৭.৩৪, মঙালস্না থাংজমনা ১:০৭.৫৩দা পন্থুংফম য়ৌদুনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র বোইজগী মিটর ৪০০গী ফ্রী ষ্টাইলদা কোইজম অথোইবনা অহানবা তাখি। অদুগা থাংজম মঙালস্না অমসুং লনচেনবা অঙোমনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র বোইজগী মিটর ৪০০গী ফ্রী ষ্টাইলদা প্রভেশ মথুরাবাশিময়ুম, নোংমাইথেম ধনঞ্জয় মৈতৈ অমসুং খাগেন্বা সরুংবমনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র বোইজগী মিটর ৫০গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোকতা এল বিশ্বরজিৎ, টি ঐচ লানঙম্বা, পৃথিরাজ লাইশ্রমনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র বোইজগী মিটর ৫০গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোকতা সরাংথেম য়োহেনবা মৈতৈ, লুচিং শরুংবম অমসুং খাঙেনবম ভেভেকলেম্বনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি।

সিনিয়র বোইজগী মিটর ৫০গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোকতা শরুংবম অথৌবা মৈতৈ, রিচৈ অচোম অমসুং রিকেন্দ্র অচোমনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি।

নুপামচাগী মিটর ৫০গী বট্টরফ্লাইদনা লুচিং শরুংবমনা অহানবা, কে ঐচ ভেভেকলেম্বনা অনীশুবা অদুগা এস য়োহেন মৈতৈনা অহুমশুবা তাখি।

মিটর ৫০গী ফ্রী ষ্টাইলদনা প্রভেশ মথুরাবাশিময়ুমনা অহানবা, এল বিশ্বরজিৎনা অনীশুবা অদুগা টি ঐচ লানঙম্বনা অহুমশুবা তাখি।

সিনিয়রগী মিটর ৫০গী ফ্রী ষ্টাইলদনা শরুংবম অথৌবা মৈতৈনা অহানবা, ও দিম্বোইনা অনীশুবা অদুগা এস তাইবংঙানবা মৈতৈনা অহুমশুবা তাখি।

# টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি : এফ সী তেন্থা অমসুং পি এস দি লংদুম দ্রো চৎখ্রে, অচানবীগৈ মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):**
তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএশন (টি কে দল্লিয়ু এ)না শীন্দুনা টিম ৪০না গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোক্তুনা তেন্থাগী মল্টিপ্লেক্স প্লেগ্রাউন্দদা হৌখিবা চহী ২০২৩গী এপ্রিল ১৭তগী হৌদোকখিবা টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি ২০২৩গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা এফ সী তেন্থা অমসুং পি এস দি লংদুম দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা অচানবীগৈ এফ সীনা পি এস দল্লিয়ু এ এস শঙ্গাইয়ুম্ফম মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী এফ সী তেন্থা অমসুং পি এস দি লংদুমগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। নাকল অনীমক্না অকনবা মওংদা মেটচ অদু মায় পাক্নবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অদুম্মক হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা কাউন্টর এটেকশিং চথুদুনা শান্নরবসু হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী মায় পাকপা ঙম্নখিদে। লোয়ননা নাকল অনীমক্কী দিফেন্দরশিং অমদি গোলকীপরশিংনা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেটচ ওইনা অচানবীগৈ এফ সী অমসুং পি এস দল্লিয়ু এ এস শঙ্গাইয়ুম্ফমগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা অচানবীগৈ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ২৫শুবা মিনটতা অচানবীগৈ এফ সীগী রেবন্তনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা পি এস দল্লিয়ু এ এসকী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরবসু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবশিং মরাং কায়না ফংবা ঙমখিদে। অমরোমদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা অচানবীগৈ এফ সীগী রেবন্তনা মেটচ অদুগী ৩৬শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুগা থংনবা ৩৭শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক ওইগদৌরিবা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পি এস দল্লিয়ু এ এসকী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী ৫২শুবা মিনটতা এরিশনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু অচানবীগৈ এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি।

# ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি : ফোর্স ক্ষেত্রিগাও অমসুং পি সী সী ময়াইকোইবী মায় পাকখ্রে






**ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা ৩লক শুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা পি এস সী খোয়াথোং অদুগা পি সী সী ময়াইকোইবীনা পি টি সী সী পাৎসোই মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি এস সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি এস সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা মখল-মখা কয়াগী এটেকশিং মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ১৭তা ৱিকেট ১০ মক তুরগা শুপ্পনতগী রন ৩৫ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

ফোর্সনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবী বর্কাটুন খানমনা হৈন-শিংনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিবনা বোল ১৭ মায়োক্নবদা রন ৩১ লৌরগা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি অমদি টার্গেট রন য়ৌহনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৩.৩দা ৱিকেট ১ খক তুরগা টার্গেট রন ৩৬ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ফোর্সনা ৱিকেট ৯দা মায় পাকখিবনি।

থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা পি সী সী অমসুং পি টি সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি টি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি টি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২২দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৭৭ লৌবা ঙমখি।

পি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা খূদোংচাদবা খরদগী ভি জে দি মেথদতা ওভর ১৪দা হন্থরগা টার্গেট রন ৪৭ ওইখি। ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ১৩.১দা পি সী সীগী ৱিকেট ২ তুরগা টার্গেট রন ৪৭ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু পি সী সীনা ৱিকেট ৮দা মায় পাকখিবনি।

# এফ সী রেংদাইনা সী এফ এ মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):**
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল ফেদরেশন (অম্ফা)না শীন্দুনা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্প্লোং থোংখোঙদা চথুরিবা অনীশুবা প্রেমিয়র লীগ ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা এফ সী রেংদাইনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ) মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং দিমাপুর রোদ এথলেটিক ওর্গনাইজেশন (দি এম রাও) দ্রো চৎখ্রে।

সী এফ এ অমসুং এফ সী রেংদাইগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ২৪শুবা মিনটতা এফ সী রেংদাইনা কাউন্টর এটেক অমা চথুদনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় সোরাইসম সাগরনা চনখিবনি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ সী রেংদাইনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না মখা তাবা পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এফ সী রেংদাইনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

এস য়ু অমসুং দি এম রাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

**PENSION LOAN AVAILABLE**


# Manipur State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
# থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী Interest তা খূদোংচাবা পীজরি।
# Pensioner শিংনা লাকপদা Pension Book, Bank Passbook, Cheque Book অমসুং ATM লোয়নবীরক্কদবনি।

**EMPLOYMENT NEWS**
Office Asst. 2, Car Wash Helper 2, Mechanic Helper 2, 2 Wheeler Mechanic, Chicken Centre Helper 2, Gr-IV 2 and Tyre Fitting Helper 2 পামজে।

Please Contact : **S.M. Singh**
L.G. Motors Building
Khagempalli, Imphal
# 8414081916
# 8731978490

HL-B/9411/20/3-19/5(alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1470**


**GM Vidit Santosh Gujrathi (2730) - GM Valentin Dragnev (2556)**
**World Blitz 2022 Almaty KAZ, 2022.12.29**

1.Nf3 Nf6 2.c4 c5 3.Nc3 e6 4.e3 d5 5.d4 Nc6 6.a3 a6 7.dxc5 Bxc5 8.b4 Ba7 9.Bb2 O-O 10.Qc2 Qe7 11.Rd1 Rd8 12.Be2 dxc4 13.Rxd8+ Nxd8 14.Bxc4 Bd7 15.Ne4 Nxe4 16.Qxe4 Rc8 17.Bd3 f5 18.Qf4 Bb8 19.Qg5…

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1469 Solution :**

**16. Rg8** *The white rook pins Black's rook against Black's king. The white rook attacks Black's rook, which is defending Black's knight.* **Kd8**
*16...Bc6 17.Bxe6+*
*16...Rxg8 17.Bxe6+ Kd8 18.Bxg8*
*16...Kd7 17.Bxe6+*
**17. Rxe8+** *The white rook captures Black's rook, which was defending Black's knight.* **17...Kxe8 18. Bxe6**
**1-0**




Title : Fish
By : Adison Elangbam
Class : IV Roll No. : 3 Sec. :
School : Don Bosco School Langjing



Title : Scenery
By : Aruhenba Soram
Class : KG Roll No. : Sec. :
School : Sanalishree Pre-School




Title : Scenery
By : Barnita Meinam
Class : II Roll No. : 6 Sec. : A
School : Little Flower School



Title : Opening and Closing of Stomata
By : Bidya Naorem
Class : IX Roll No. : 27 Sec. :
School : Special Regular Eng. School Nambol



Title : Princess
By : Rajkumari Changkhonbi
Class : KG-2 Roll No. : 19 Sec. :
School : Blooming Dale School



Title : Sukuna Yumen
By : Chingkheinganba Naorem
Class : III Roll No. : 59 Sec : G-3
School : R.M. School Kwakeithel Heinou Khongnembi



Title : Watermelon
By : Haripriya Puyam
Class : KG-1 Roll No. : 3 Sec. : A
School : RSD School



Title : A Mermaid
By : Laiza Kh.
Class : KG-2 Roll No. : 11 Sec. : Panthou
School : G4 School, Heirok



Title : Shadow
By : Soram Lanleima
Class : III Roll No. : 53 Sec. : C
School : Nirmalabas Jr.




Title : Gun
By : Lemba Khumukcham
Class : I Roll No. : 1 Sec. :
School : Rising Sun English School



Title : A Flower
By : Manganleibi Khangembam
Class : I Roll No. : 8 Sec. : A
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Icecream
By : Naorem Manglembi Devi
Class : Nursery Roll No. : 10 Sec. :
School : Bright Careers Academy, Naorem



Title : Fish
By : Manithoi Angom
Class : I Roll No. : 17 Sec. : A
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Photoshop Flowey
By : Keisham Nicolle
Class : VI Roll No. : 10 Sec. : Coral
School : Heritage Convent



Title : Shark
By : Lukram Telheiba Singh
Class : Nursery Roll No. : Sec. :
School : R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com